# নেসনেল মেথমেটিক্স দেগী থৌরম হৌদোকখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭ঃ*

মণিপুর সাইন্স এন্দ টেক্নিকেল কাউন্সিল (মাষ্টেক) অমসুং ওরিয়েন্টেল কলেজ (ওটোনোমস) ইম্ফালগী দিপার্টমেন্ট ওফ মেথমেটিক্সনা পুন্না শীন্দুনা নেসনেল মেথমেটিক্স দে থৌরম ঙসি টাকয়েলপাৎতা লৈবা ওরিয়েন্টেল কলেজগী ইন্দোর হোলদা দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার সিংহনা হৌদোকখ্রে।

নুমিৎ ৪নি চত্থগদবা প্রোগ্রাম অসিদা মপুং ওইনা মেথমেটিক্স মোদেল কম্পিটিসন, মেথমেটিক্স কুইজ, মেথমেটিক্স পজল অমসুং হেন্দ ওন সাইন্স পাঙথোক্কনি।

দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার সিংহনা হায়, মহৈরোইশিংনা মেথমেটিক্সপু য়াম্না নুংঙাইতবা সবজেক্টনি হায়না লৌরবসু মখা তানা ৱাখল খল্লবদি লাইহনবা ঙমগনি। এপ্লাই মেথমেটিক্সতা পিয়োর মেথমেটিক্স তঙাইফদবা কম্পোনেন্ট অমনি হায়দুনা সাইন্স, এপ্লাই মেথমেটিক্সকী অতৈ দিসিপ্লিনশিং অমসুং টেক্নিকেলদা তঙাইফদবা অমা ওইরি। অদুনা ওপরেসন ৪গী বেসিক ওইবা কনসেপ্ট হায়বদি এদিসন, সবষ্ট্রেক্সন, মল্টিপ্লিকেসন অমসুং দিভিজন নীংথিনা খঙনবা হোৎগদবনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

মেথমেটিক্স তম্বীরিবা ওজাশিংনসু মহৈরোইশিংদা নীংথিনা খঙবা ঙম্নবা মওংদা তম্বীগদবনি। সাইন্স অমসুং মেথমেটিক্স এদুকেসনদা হেন্না জ্ঞান লৈরবতদা ইনোভেটিব আইদিয়া কয়া পুথোকপদা মহৈরোইশিংগী মতেং ওইগনি হায়নসু ফোংদোকখি।

মাষ্টেক্কী দাইরেক্টর টি ঐচ সুরেন্দ্রনাথ সিংহনা হায়, কাউন্সিল অসিনা ষ্টেট অসিগী মহৈরোইশিংদা সাইন্স অমসুং মেথমেটিক্সপু হেন্না মমুৎ তানা খঙহনবা হোৎনরি। হৌজিক চত্থরিবা অমসুং লাক্কদবা সাইন্সপু হেন্না খঙহন্নবা প্রোগ্রামগী মতাংদা মহাক্না হায়, বিজ্ঞান প্রসার ন্যু দিল্লিগী মখাদা ক্লাস ৮ অমসুং ৯ মহৈরোইশিংগী ওইবা এস সি আই কনেক্ট ২০১৮ প্রোগ্রাম হাংদোক্কবা হোৎনরি। প্রোগ্রাম অসি মপুং ওইনা নোর্থ ইষ্টকী মহৈরোইশিংগীদমকনি। অদুনা মহৈরোইশিংনা কাউন্সিলগী ৱেবসাইটতগী এপ্লাই তৌবা য়াগনি। অসিদসু নত্তনা সাইন্স মিট অমসুং সাইন্স এক্সিবিসন্নচিংবা পাঙথোক্লবসু থৌরাং তৌরি।

সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্টর ই ইবোমচা সিংহনা মহৈরোইশিংদা সাইন্স অমসুং মেথমেটিক্স হেন্না খঙনবগী মরু ওইবা অদু পনখি। সাইন্স প্লানেটরিয়ম অমা টাকয়েলদা লৈবা মণিপুর সাইন্স সেন্টরদা হাংদোকখ্রে। মসিনা মহৈরোইশিংনা সোল্লর সিষ্টেমগী মরমদা খঙনবা হোৎনবদা মতেং ওইরগনি।

ওরিয়েন্টেল কলেজগী প্রিন্সিপাল ডা. এস রঞ্জিৎ সিংহসু থৌরম অদু ৱা ঙাংখি হায়রি।

**লমায় ১ গী মখা**

# চিংমৈরোং ওপরেটিং বেজদা সিক্যুরিটি মিট পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭ঃ*

৯ সেক্টর অসাম রাইফলসকী ১৫শুবা অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা চীংমৈরোং কম্পেনি ওপরেটিং বেজদা সিক্যুরিটি মিট পাঙথোকখ্রে।

আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা ঙসি থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মিট অদুদা মশক নাইবা মীওইশিং, যুথ ক্লব অমসুং মৈরা পায়বীগী প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরী, ৱার্দ মেম্বরশিং য়াওনা পুন্না মীওই ৩৯ রোম শরুক য়াখি। মপুং ওইনা সিক্যুরিটিগী ওইরিবা ফিভম অমসুং দরকার ওইবা লৌখৎফম থোকপশিংগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি। কম্পেনি কম্মান্দরনা মীয়ামদা মীৎ-না শীংনা লৈনবা হায়রদুনা করিগুম্বা চিংনবা লৈরবদি অসাম রাইফলসতা পাউ পীবিনবসু হায়খি।

অসাম রাইফলসনা মীয়ামগী ইংতপ্পা অমসুং শান্তি লৈনবা হোৎনবদা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়বগী থাজবসু পীখি।

# নুংফৌ কৈথেলদগী দ্রগ শীজিন্নবা মীওই ১২ ফাগৎপা ঙম্লে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭ঃ*

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লমদিং খুমন্থেম লৈকাইদা লৈবা লমদিং এদুকেটেদ ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসন (লেৱা)না ময়াই কাবা নিষাগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা খোঙজংগী মনুং চন্না ঙসিসু নুমিৎয়ুংবা মতুং মিনিট ২০ লোম তাবা অদুৱাইদা শঙ্গাইয়ুম্ফম নুংফৌ কৈথেলদগী দ্রগ শীজিন্নবা মীওই নহা ১২ ফাগৎপ ঙম্লে।

লেৱাগী প্রসিদেন্ট এস ওজিৎ সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ঙসি ফাগৎখিবশিং অদুদি থিয়াম সচিকান্ত সিংহ (২৬) অপোকপা ইন্দ্রকুমার থিয়াম কোঞ্জিন ময়াই লৈকাই, শগোলশেম রোসন (১৯) অপোকপা শ্যামো, নিংথৌজম রোসন এলাইজ পিক্তু অপোকপা রতন সিংহ অনীমক সমরাম মখা লৈকাই, মাইবম শান্তিকুমার সিংহ (২২) অপোকপা লৈখিদ্রবা জয়কুমার, মাইবম রামেশ্বর (২৩) অপোকপা রঞ্জিৎ মখোয় অনীমক ফৌদেন কাইরেম্বী, জেনিস পোৎশঙবম (২২) অপোকপা জয়কুমার খুরাই সাজোর লৈকাই, শগোলশেম নোংপোকঙানবা (২০) অপোকপা ধিরেন ৱাংজিং অৱাং লৈকাই, মোইরাংথেম মালেমঙানবা (২০) অপোকপা প্রেমকুমার ৱাংজিং অৱাং লৈকাই, খাঙেম্বম দিনেস সিংহ (২৪) অপোকপা বিরো লমদিং চেরাপুর, খুমন্থেম নরেস সিংহ (২৩) অপোকপা রাজেনকুমার অমসুং হিজম সুন্দর সিংহ (২৬) অপোকপা মনিজাও সিংহ লমদিং খুমন্থেম লৈকাইনি হায়রি।

# লুপা ক্রোর ৪ রোমগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক মৈ থাদুনা মাংহনখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭ঃ*

তোঙান-তোঙানবা মফমদগী ফাগৎলকখিবা লুপা ক্রোর ৪ রোমগী ওইগদবা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী পোৎলমশিং ঙসি কষ্টম দিভিজন ইম্ফালনা কৈরাও অঙৌরোক চীংদা মৈ থাদুনা মাংহনখ্রে।

ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিং মৈ থাদুনা মাংহনখিবা অদুদা কষ্টম দিভিজন ইম্ফালগী এসিষ্টেন্ট কম্মিস্নার আর কে দোরেন্দ্রজিৎ সিংহ, সুপরিন্টদেন্ট (দিসপোজেল) পি রোবেন সিংহ, সুপরিন্টদেন্ট (টেক) এম ইন্দ্রমনি সিংহ, ওফিসার ইন চার্জ (প্লান্ট প্রোটেক্সন) ডা. মহমুদ খাননচিংবা কয়া য়াওখি।

আর কে দোরেন্দ্রজিৎনা হায়, ঙসি মৈ থাদুনা মাংহনখিবা ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিং অসি তোঙান-তোঙানবা মখল অহুমনি। তোঙান-তোঙানবা কেস ৫১দা ফাগৎপা লুপা ৩,৩৫,৩৩২০ অদুগা কেস ১৮গী চেন্নবা লুপা লাক্ষ ১২গী ভেল্যু ওইগদবা য়ু, অদুগা কেস ১৫দা চেন্নবা লুপা ৬,৯০,০০০গী পোৎলমশিংনি।

# কম্যুনিতি হোল মীয়ামদা শীন্নখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭ঃ*

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনাম কেন্দ্রগী মনুং চনবা ওইনাম ময়াই লৈকাই ৱার্দ নম্বর ৮দা নৌনা শাবা কম্যুনিতি হোল অমা ঙসি কেন্দ্র অসিগী এম এল এ মণিপুর পোল্ল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চেয়ারমেন এল রধাকিশ্বরনা হৌনবী মতুং ইন্না শঙ্গাদুনা মীয়ামদা শীন্নখ্রে।

কম্যুনিতি হোল অদু এম এল এ লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দ ২০১৮-১৯দগী লুপা লাক্ষ ৯ লিশিং ৬০ চঙনা শাখিবনি।

থৌরম অদুদা ২০১৭-১৮কী লোকেল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী মখাদা পায়খৎখিবা থবকশিংগী শেনফমসু এম এল এনা য়েঙ্থোকখি হায়রি।

# পুলিস কন্সষ্টেবল ২০০০ খন্নবা দি পি সি বোর্দ শেমখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭ঃ*

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা থাসিগী ৫দা কেস দব্লিয়ু পি (সি) নম্বর-৬২৭ ওফ ২০১৬ অমদি মসিগা মরী লৈনবা কেসশিংগী মতাংদা পীখিবা জজমেন্ট এন্দ ওর্দর অদু থবক্তা ওন্থোক্তুনা আগষ্ট ২০, ২০১৬তা ককথৎখ্রবা পুলিস কন্সষ্টেবল (মেল / সিভিল), ২০১৩ রিক্রুইটমেন্ট অদুগী কেন্দিদেন্ট ২০০০ খনগৎনবগীদমক দি পি সি বোর্দ অমা শেমখ্রে।

ঙসি সেক্রেটরী (হোম)না থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না শেমখ্রবা বোর্দ অসিগী চেয়ারমেন কে রাধাশ্যাম দি আই জি (রেঞ্জ-থ্রি)না ওইরগা পি সঞ্জিৎ সি ও-২ এম আর অমসুং এল নন্দকুমার জোইন্ট সেক্রেটরী (এজুকেসন এম)না মেম্বরশিং ওইগনি হায়রি।

বোর্দ অসিনা কোর্টনা পীখিবা পাউতাক মতুং-ইন্না দি পি সি অসিগী থবকশিং মপুং ফানা লোয়শিনবগী থবক পাংথোক্কনি হায়রি।

**লমায় ১ গী মখা**

# ‘এক্ট রিপিল তৌরে’ হায়বা...

পনবা য়াবদি বিজেপিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংলক্লিবা গভর্ণমেন্ট অসিদা মার্চ ২৩,২০১৭তা এমএলএ ১২বু মশামক্লা ৱাশক লৌদুনা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরীশিং ওইনা হাপচিনখিবনি। অদুগা মথংগী নুমিৎ মার্চ ২৪,২০১৭দা মখোয়না পুগদবা দিপার্টমেন্টশিং লাউথোকখিবনি।

অদুবু মতমদুগী চীফ সেক্রেটরী আরআর রশমিনা জুলাই ১৭,২০১৭তা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমনা লৌরেম্বম রামেশ্বর মীতৈ, এন ইন্দ্রজিৎ, কোঙ্খাম রোবিন্দ্রো, থোকচোম সত্যব্রত, এমদি অশব উদ্দিন অমসুং ডা. সাপম রঞ্জনবু ফমশিং অসিদগী লৌথোক্লগা ওক্টোবর ২৫,২০১৭তা থোকখিবা অতোপ্পা নোটিফিকেসন অমদনা লৈশাংথেম সুসিন্দ্রো (য়াইমা) মৈতৈ, সোইবম সুভাচন্দ্র, খাশিস ভাশুম, কে লৈশিও অমসুং অৱাংবৌ নিউমাইবু পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরীগী ফমদগী লৌথোকখিবনি।

# মোবাইল তৱার শঙ্গাখ্রে

মীয়াম্না মায়োক্নরিবা অৱাবা অসি মহাক্না হোৎনদুনা কোকহন্নবা হোৎনবা ওইনা এয়ারটেল টৱার অসি মরি লৈনবশিংদা হায়রগা থম্বনি হায়খি।

টৱার অসিনা তুমুখোং, ইথম, মোইরাংপুরেল, নোংৱম, লাইখোঙ,, সোংফেল, কামু চীং য়াওনা পুন্না খুল ২০ রোমগী মীয়ামদা কান্নবা পীগনি হায়খি।

ইম্ফাল নত্রগা অরাপ্পা মফমদা মহৈ তমদুনা নত্রগা থবক ইনখাংশুদুনা লৈরিবা মচা মশুশিংগা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগা পাউ ফাওনবা ঙমদনা মতম কয়া লৈরকপা অদু ঙসিদগী কোকহনবা ঙম্লগনি হায়খি।

মোবাইল তৱারগী নেটৱার্ক অসি ফংবগা লোয়ননা মীয়াম্না ইন্টরনেটকী খুত্থাংদা মালেমগী মফম কয়াদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক কয়াসু খঙবা ঙম্লগনি। অসিগুম্বা মোবাইল নেটৱার্ক অসি ফত্তবা থবক্তা শিজিন্নবীগনু হায়নসু মিনিষ্টরনা মীয়ামদা আপীল তৌখি।

অফবা হিরম কয়াদা মোবাইল অসি শিজিন্নদুনা হেন্না চাউখৎপা লমদম অমা পুরক্নবা হোৎনমিন্নসি হায়না মিনিষ্টরনা মখা তাখি।

# শগোলমাংদগী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল হোংনবা থৌরাংগী মায়োক্তা মীয়ামগী মীফম পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭ঃ*

দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল ইম্ফাল ইষ্ট শগোলমাংদগী ক্যামগৈ ময়াই লৈকাইদা হোংনবা থৌরাংগী মায়োক্তা ঙসি খেৱা কম্পেনি মিটিং শঙলেন্দদা মীয়ামগী মীফম পাঙথোকখ্রে।

লৌখাম ওংবী মনিথোইবী লৈমনা ময়াই ফমদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা পোৎরৈ লৈমরোল অপুনবা মৈরা পায়বী মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ইমা মেমচৌবী, অমকিলগী প্রসিদেন্ট ইমা শখি অমদি কংলা মৈগী প্রসিদেন্ট ইমা লৈরিকসু শরুক য়াখি।

ঙসিগী মীফম অদুনা তোঙান-তোঙানবা ৱারেপ ৪ লৌবগা লোয়ননা মীয়াম্না চঙশিল্লিবা খোঙজংদা পোইরৈ লৈমরোল অপুনবা মৈরা পায়বী লুপ, অমকিল অমদি কংলা মৈনচিংবা ইমা লুপশিংনা মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম্বু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা জে এ সিগী ৱুমেন ফ্রন্ট অমা শেম্বা হায়না য়ান্নখ্রে। মখা তানা চয়েৎনবা শুংলৈ লৈতবা মফম অমবু চয়েৎনবা লৈ হায়না পাউথোক্লগা মীয়াম্বু তংদু লৈতাহন্দবা অমদি অৱাবা পীরিবা পুম্নমক অসিগী দাইত্ব পিছ এন্দ দিভলপমেন্ট কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (পি দি সি সি)না পুগদবনি অমদি হোস্পিটাল অসি শগোলমাংদা অদুমক শান্নবগী দাইত্বসু মখোয়না পুগদবনি হায়নসু ৱারেপ্লখি।

মীফম অদুনা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসি শাবা হৌরনি হায়বগী মতম লাউথোক্লিবা ফাওবা খুন্দ্রাকপম অমদি থংনরিবা কেন্দ্র মীয়ামগী খোঙজং হন্দোক্লোই অমসুং সরকারগা ৱারী শান্নবসু তৌরোই, মীয়ামগী খোল্লাও তারক্তুবদি লোইজিং লোয়াদা লৈরিবা মীয়াম্বু তোখাইনা থম্বীরে হায়বসি লৈবাক শীনবা থুংনা খঙহন্নবা খোঙথাং লৌখৎকনি হায়নসু য়ান্নখি।

মীয়াম্না চৎখিবা শান্তিগী মৈরা খোঙচৎনা যুম্নাম খুনৌ য়ৌরকপদা মণিপুর পুলিসনা বোম তোপ কাপ্পুনা মীওই ২০ রোম অশোক অপন নংহনখিবা অমদি মদু চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মনাওনুপা এন রাজেন্দ্রো এলাইজ বোইগী য়ুম মৈ থাবা লাকপদগী পুলিসনা অথিংবা পীখিবনি হায়না ইলেক্ট্রোনিক মেদিয়াদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুসু ঙসিগী মীফম অদুনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখি।

২০১১দা উরেপ উয়ুং তমখ্রবা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল অসিগী মতাংদা লমগী চয়েৎনবা অমত্তা লৈতে। সরকারগী থৌওং অসিদি রাজনিতিগী ইথিল চঙবা খ্বাইদগী তমথিবা লৈঙাক্কী থৌওংনি। লোইজিং লোয়াদা লৈবা মীয়াম্বু ভিক্টিমাইজ তৌবনি হায়না মীফম অদুনা লৌবগা লোয়ননা সরকারগী ফীরেপ অথুবদা হোংদোক্তুনা শাগোলমাংদা হোস্পিটাল শাবগী থবক তৌরগনি হায়না লাউথোক্কদবনি হায়নসু ফোঙদোক্লখি হায়রি।

# মিথা মনা অমসুং হিদাক মনাগী পোখোক য়োনবশিংদা অকনবা মীৎয়েং চঙলগনি ঃ কে এস এ

*বিষ্ণুপুর, ফেব্রুৱারী ১৭ঃ*

মিথা মনা অমসুং হিদাক মনাগী পোখোকশিং য়োল্লিবশিংগী মথক্তা কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন (কে এস এ) বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলনা অকনবা মীৎয়েং চঙলগনি হায়রি।

কে এস এ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট পুখ্রম্বম মালেমঙানবা মৈতৈনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, মিথা মনা য়োনবদা সরকারনা অথিংবা থমখিবা অসি তরাম্না ওকই। অদুবু অথিংবা কয়া থল্লবসু, ফাগৎপা য়াবা ফাগৎলবসু বিষ্ণুপুর কৈথেলগী অকোইবদা ফোঙনা মিথা মনা অমসুং হিদাক মনাগী পোখোকশিং করবার তৌনরি অমদি য়োন্নরি।

ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা নত্তনা খুন্নাই অসিগীদমক অমদি ইনখৎলক্লিবা মহৈরোইশিংবু নিষাগী ঈপাক্তা লাইচুরিবশিংদগী কলহৌনবা তুং-কোইনা চৎনবা য়াবা থৌরাং পায়খৎপিয়ু।

বিষ্ণুপুর কৈথেলগী অকোইবদা ফোঙনা মিথা মনা অমসুং হিদাক মনাগী পোৎলম য়োল্লিবশিংগী মথক্তা কে এস এ বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টনা অকনবা মীৎয়েং চঙলগনি লোয়ননা স্কুল কলেজগী মনাক নক্লা নিষাগী পোৎলমশিং থমদনবা অমসুং য়োনদনবা দুকান্দারশিংদা খঙহল্লি। থবক অসিদা ক্লব ওর্গনাইজেসনশিংনসু মপুং ফানা শরুক য়াবিয়ু, মতেং পাংবীয়ু, শৌগৎপীয়ু অমদি কো-ওপরেসন পিবিয়ু হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ব্রাইটর সেফয়ার্দ একাদেমিদা এন্টি দ্রগ কেম্পেইন পাঙথোকখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৭ঃ*

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা নোংপোক ইঙ্খোল পুরৈরোম্বা লৈকাই ন্যু চেক্কোন্দা লৈবা ব্রাইটর সেফয়ার্দ একাদেমিদা এল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) অমদি কোলিয়েসন এগেন্স দ্রগস এন্দ অলকাহোল (কাদা)না পুন্না শিন্দুনা ‘লেটস ষ্টেন্দ এগেনষ্ট সবষ্টেন্স এব্যুস’ হায়বা হিরমদা এন্টি দ্রগ কেম্পেইন পাঙথোকখ্রে।

কেম্পেইন অদুদা কাদাগী প্রসিদেন্ট ইন চার্জ হিজম প্রিয়োকুমার অমদি স্কুল অসিগী সেনিয়ার এসিষ্টেন্ট টিচর য়ুম্নাম সাবিতা অনীনা পুন্না প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি। অদুগা কাদাগী ফাইনান্স সেক্রেটরী গিতচন্দ্র মঙাং অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট নিংথৌজম দোরেন অনীনা পুন্না রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখি।

গিতচন্দ্র মঙাংনা হায়, নিষা শীজিন্নবা হৌরকপা হায়বসি ইমুং মনুংদগী হৌরকই। স্কুল, কজেলশিংদগী হৌরকপা নত্তে। মমা মপা ওইবশিংনা হিদাক মনাগী পোৎলম ক্বা, খৈনি, চুরুটনচিংবা লৈনবা পাখোন থাই অমসুং অঙাংশিংগী মমাঙদা পোৎলমশিং অদু শীজিন্নবনা অঙাংশিং অসিনসু মতৌ তম্মিংবা, মহাও য়েংনিংবা ফাওহল্লি। লোয়ননা নিষানা ঐখোয়দা শোকহল্লকপশিং ভিদিও ওইনা উৎতুনা খঙহনখি। পীক্লিবা মহৈরোইশিংনা নিষা শীজিন্নরক্তনবা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি।

নিংথৌজম দোরেননা হায়খিবদা ঙসি ঐখোয়গী লমদম অসিদা নিষা শীজিন্নবদা মাংজিল থাবা হৌরক্লে। তোঙান-তোঙানবা দ্রগ মখলশিং শীজিন্নবগী চাং অদুক্কী মতিক ৱাংলে। চহী নৌরিবা অঙাংশিং অমদি তুংগী য়ুম্বী ওইরক্কদৌরিবা নহা কয়া পাক্তক্লনা নিষাগী পোৎলমশিং কয়া চারক্লিবা অসি থিংহৌদ্রবদি তুংগী মরোলশিং মুৎখিবা হায়বসি শোইদ্রবনি হায়না ফোঙদোকখি।

প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখিবী য়ুম্নাম সবিতা (সেনিয়র টিচর)না হায়, কাদানা স্কুল অসিগী চহী নৌরিবা মহৈরোইশিংদা নিষাগী এৱেয়ারনেস পীবিবগীদমক ঙমখৈ লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকখি। মহাক্না মখা তানা হায়, নিষানা ঐখোয়গী পুন্সি মাংহল্লি, নিষানা ঐখোয়দা কান্নবা অমত্তা পীদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

**লমায় ১ গী মখা**

# দেন্টেল কলেজ রিমসকী মোবাইল দেন্টেল ভান...

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী হকশেলগী লমদা অখন্নবা মীৎয়েং চংলিবনি। ঙসি হৌদোক্লিবা মোবাইল দেন্টেল ভেন অসিনা অথাপ্পা মফমদা লৈরিবা মীয়ামদা দেন্টেল হায়জিনগী মরমদা খঙহন্নবা হোৎনবদা মতেং ওইগনি হায়না ভবানন্দনা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা দাইরেক্টর রিমস ডা. এ সান্ত সিংহনা থৌরম মপু, রিমসকী মেদিকেল সুপরিনটেন্দেন্ট প্রো. সি ঐচ অরুনকুমার, প্রিন্সিপাল দেন্টেল কলেজ রিমস প্রো. বি প্রবিন রেদ্দি অমসুং এম পি এস সিগী চেয়ারমেন কোন্সম হিমালয়না ইকাই খুম্নরবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখি।

# চাউখৎ থৌরাংগী থাদরকপা শেনফম লান্না শিজিন্নবা...

মণিপুরগী ওইনা ব্লোক ৭০ অসিগী মনুংদা ব্লোক ওফিস লোইনা শেমগৎনবা অমসুং শানবা শেনফম অসি লুপা ক্রোর ১০ খক্তনি। মসিগা লোয়ননা অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট শেমখিবা অসিগী ওইনা লুপা ক্রোর ১৫ খক্তনি। অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ৩ ককচিং, নোনে অমসুং কামজোংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবা লুপা ক্রোর ৫-৫গী চাংদা লুপা ক্রোর ১৫ হাপ্পনি। অদুগা তেংনৌপল, কাংপোকপী, ফেরজোল অমসুং জিরিবামগী ওইনা লুপা ক্রোর অমমমগী চাংদা লুপা ক্রোর ৪ হাপখিবনি। অপুনবা শেনফম অসি পুন্না লুপা ক্রোর ২৯ খক্তনি।

মসিদা শেল মফম খঙদনা শিজিন্নখ্রে, শেল মাঙহনখ্রে হায়বসি করিদা যুম্ফম ওইরগা ঙাংবনো হংনিংই। মসিদি প্রজাশিংদা চমম্নবা পোকহন্নবা থৌরাংনি। হায়গে হায়রগনা অচুম্বা অদু থিদোকপীরগা হায়বীয়ু হায়খি।

দিষ্ট্রিক্ট অহুমগী ওইনা হাপখিবা লুপা ক্রোর ১৫ অসিগী মনুংদা লুপা ক্রোর ১০ দি ৮৪৪৩ একাউন্টতা চংখ্রে। মসিগী থবকশিং অসি সেঙ্কসন লোইনা পীবা লোইখ্রে। হৌনবীগী মতুংইন্না তেন্দর প্রোসেস তৌনরমগনি।

নোনে দিষ্ট্রিক্টকী লুপা ক্রোর ৫ অসিনা পি আই বি ফম্বদা লমগী লেপথোকপা ঙমদবা অসি য়েংলগা লুপা ক্রোর ২ খক্তমক এপ্রুভ তৌবনি। অদুবু মদুদা চয়েৎনবা খরা লৈবদগী ৮৪৪৩ একাউন্টতা থম্বা থমদবা চপ মান্নে মথংদগী অনৌবা শেনফম রিএলোকেসন তৌরগা শাশি হায়না লৈখিবনি।

মসি অচুম্বা থিনিংবা লৈরবদি ফাইনান্স দিপার্টমেন্ট, প্লানিং নত্রগা ত্রেজরিগী খুত্থাংদা থিবিয়ু হায়খি।

তেংনৌপল, কাংপোকপী, ফেরজোল, জিরিবামগীসু সেঙ্কসন পীবা লোইখ্রে। মসিগী ক্রোর মরিগী মনুংদা ক্রোর অহুম অসি ৮৪৪৩ একাউন্টতা দিপোজিট তৌখ্রে। লুপা ক্রোর ১ কাংপোকপীগী অসিদি রিএলোকেসন তৌরগা তৌনবা হায়দুনা ৮৪৪৩ দা থমদে। মসিদা কংপোকপী, নোনে অমসুং ব্লোক মচা খরগী ওইনা লুপা ক্রোর ১০ রোমদি ৮৪৪৩ একাউন্টতা থমদে।

৮৪৪৩ দা থমদে হায়দুনা শেল মাঙহল্লে হায়না লৌবদি য়ারোই। মসি ষ্টেটকী শেলনি, গভর্ণমেন্টতগী চৎখিবা লৈতে। মসি মথংদা রিএলোকেসন তৌরগা গভর্ণমেন্টনা চপ চানা পীফম থোকপা শেনফম অদু পীগনি হায়খি।

হায়রিবা শেনফমশিং অসিগী চলান কোপি নত্রগা মরি লৈনবা দোকুমেন্টশিং অসি ত্রেজরিদা নত্রগা ফাইনান্স দিপার্টমেন্টতা চৎলগা থিবিয়ু হায়খি।

অনৌবা ব্লোক ওফিস শাবা অমসুং শেমজিনবগী ওইনা লুপা ৮,৭৭,৫০,০০০ অমসুং ১,২২,৫০,০০০ পুন্না লুপা ক্রোর ১০ নি।

থবকশিং অসিগী সেঙ্কসন লোইনা পীবনি। মসিগী মনুংদা ব্লোক অমগীদি সেঙ্কসন পীদে। মরমদি উখ্রুলগী ব্লোক ওফিস অসি সি জি এম কোর্ট শানবা ফিরেপ লৌরকপদগী মদু মুত্থৎলগা সেঙ্কসন পীরুরবদি ৱাথোক ওইরকপা য়াই হায়দুনা উখ্রুলগী ওইনদি সেঙ্কসন পীদনা লৈরি।

হৌজিক মফম অদুগী চয়েৎনবা লৈবনা মথংগী বজেটতা হাপ্লগা এদিস্নেল ফন্দ লৌরগা শানবা লেপ্পখিবনি। শেনফম অসিগী মনুংদা লুপা লাক্ষ ৩৫৭.৫০না ৮৪৪৩ দা দিপোজিট তৌখ্রে। লুপা লাক্ষ ৯৭.৫০না থবক হৌনবদগী কন্ট্রেক্টরশিংদা পেমেন্ট পীথোকখ্রে।

সিদি ব্লোকশিং শেমজিন শাজিনবগী ওইনা লুপা লাক্ষ ১৫ অমনা ৮৪৪৩ দা চংখ্রে অদুগা লুপা লাক্ষ ৫৩.৫০ না কন্ট্রেক্টরশিংগী থবক শুবগী পীথোকখ্রে হায়খি। ৱাৎহৌরিবা শেনফম খরা অসিদি মথংগী এলোকেসন্দগী শিন্নবা হায়দুনা ৮৪৪৩ দা থমদবনি। কংগ্রেস পার্টিনা গভর্ণমেন্টপু প্রজাশিংদা লান্না উহন্নবা হোৎনবা অসি লাইবক থিবনি হায়খি।

# ৩৮শুবা মীকপ থোকপা নুমিৎকী পালন থৌরম...

লৈঙাকসিনা হৌজিক-হৌজিক শেমগৎ-শাগৎলিবশিং লম্বী-থোং, ফুরা-দলান, ওফিস, এসেমব্লিনচিংবশিং চহী ১০-২০গী মতুংদা মীতোপশিংনা ওইখিবা য়াবগী অকিবশিং লৈরি। নৈনবা য়াবদা ত্রিপুরাদা মতম অমগী নিংথৌশিংনা শেমগৎ-শাগৎলম্বশিং হৌজিক মীতোপশিংগী ওইখিবদা ত্রিপুরীশিংনা করি তৌবা ঙম্লিবগে হায়না খুদমসু পীখি।

লমদমসিদসু মমাং চহীদা এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সি অমদা মীতোপ্পা ভোট কারকখ্রে। মখা তাবা ওইনা মথং-মথং শন্দোরকপা হায়বসিদি হৌনাশানি হায়খি।

য়েলহৌমীশিংবু কন্নিংবগী ৱাখল্লোনশিং হৌজিকসু মীয়াম্না লৈরি। লম্বী অমদি থৌদোক অমদা হেক্তা কনাগুম্বা অমগা থেংনবদা য়েলহৌমীশিংবু কন্নবগী মরমদা হংলকপা মীয়ামগী ৱাফমশিং মহাক্না পাউখুম খুম্বা ঙমদনা লাকখিবনি। লূপশিংনসু মীয়ামদা ফাওরিবশিং মশক খঙনা খোঙ থাংজিনবা মথৌ তাই। চহী অমা থা খরা তুমদুনা লৈথোক্লুরবা অমুক হৌরকপা লূপশিংবু মীয়াম্না থাজবা থল্লম্বা খুদিংমক তপ্প-তপ্পা মাংথরক্কনি। করিগুম্বা উপাই অমা শীজিন্নদুনা বীল খক্তা নত্তনা অতোপ্পা মখলশিং য়েংদুনা য়েলহৌ কন্নবগী থৌরাংশিং লৈঙাক পায়রিবশিংনা শীনবীবা মথৌ তারে। থংনরিবা আসামদসু এনআরসিগী মখাদা নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেটশিংদা মীতোপশিং, ফোরেনরশিং য়াওনা চায়থোরকখিবগী থৌদোকশিংদা লমদমসিগী লৈঙাকপশিংনসু চেকশিনবা মথৌ তাই হায়খি।

থৌরম মপু ওইখিবা মঞ্জিৎ সরাংথেমনা হায়খিবদি, মলেমগী অপীকপা ফুরুপশিং অচৌবশিংনা লূপশিনখিদুনা মফম অদুগী অশেংবা শক্তমশিং মাংখিবা থৌদোকশিং মশীং থিঙমদনা থোকখ্রে। লৈঙাক্লোইশিংনা লমদমসিগী মীয়ামগীদমক শেম্বীরিবা নেস্নেল হায়ৱেশিংদা মপাল লমদগী ফোরেনর, মীতোপশিং চঙশিল্লক্লবগী লম্বী ওইহনগুমসি। মায়কৈ মরিমক্তগী হায়জিল্লক্কদবা মীতোপশিংবু লৈঙাকসিনা নীংথিনা য়েংশিনবা মথৌ তারে হায়বা ৱাফম থমখি।

৩৮সু মীকপ থোকপা নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা কলেজ অসিদা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমসু পাঙথোকখি। কেম্প অদুদা মহৈরোইশিংনা ঈ পীনখি।

# চীফ মিনিষ্টরগী মীৎয়েং মখাদা পায়খৎপা য়াবা ...

কেন্দ্রগী চাউখৎ থৌরাংগী মতাংদা মহাক্না মখা তানা হায়, থিয়াম লৈশাংখোঙগী লম্বী অসিদা হৌজিক কোইলাস থাদুনা শেমগৎ শাগৎপগী থবক চংশিল্লি। মসি মমাংদা পায়খৎলম্বা সেন্ট্রেল রোদ ফন্দগী মখাদা শেম্লকখিবা লম্বী অদুনি। লম্বী অসিদা নোং চীংগী ফিভম ফত্তবনা লোইশিনবা ঙমখিদবা অদুগী মখা চত্থনা হৌজিক কোইলাস থাবনি।

ৱাঙ্গোই কেন্দ্রগী ওইনা কোইলাস থাদবা লম্বী লৈশিলক্রে। নোং চীংগী ফিভম অসিনা ফরগদি অয়াম্বা কেন্দ্র অসিগী শরুকশিংদা লম্বী সরক্কীদমক্তদি অতোপ্পা কেন্দ্রদগী তাদবা কেন্দ্র অমা ওইরগনি।

মখা তানা অতোপ্পা স্কিম প্রোজেক্ট কয়া অসিদগী অনৌবা দি পি আর শাদুনা থাবগা লোয়ননা সেঙ্কসন পীরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈরে।

ইং ২০১৮-১৯ দদি ৱাঙ্গোই কেন্দ্র অসি লম্বীশিং লৈখোম থোক্তবা কোইলাস থাবা লম্বী চৎহন্নবা পাম্দমদা চংশিনলিবনি। মসিদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎনবা হোৎনরি।

ৱাঙ্গোই কেন্দ্র অসিদা অরিবা লাইফমলেন কয়া লৈরিবনি। মসিদা মপুং ফানা শেমগৎপা য়াবা শেমগৎনবা চীফ মিনিষ্টরদা হায়জবদা বজেটতা শেনফম হাপ্পুনা শেমগৎনবা থৌরাং লৈরে হায়খি।

কেন্দ্র অসি লাই তিন থিজিনবা মাইবা প্রজা কয়ানদি ফজনা লাই তিন খুরুম্বা লাকপা কাঙবুনা মফম অসিদা লৈরিবা অরিবা লাইফমশিং অসি খঙনরবনি হায়খি।

লাইফম কয়া অসি শেমগৎপদা মহাক্না অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়না এম এল এ ও লুখোইনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা মণিপুর খাদি এন্দ ভিলেজ ইন্দষ্ট্রিজ বোর্দকী ভাইস চেয়ারমেন ৱাই নিলমনি, সোসিয়েল ৱার্কর কে ঐচ লোকেন থোংখোঙ লক্ষ্মী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়ারপার্সন অমসুং কাউন্সিলরশিংনা ইকাই খুম্নরবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি। ইবুধৌ সঙ্করদেব সেবা কম্মিতিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ইবোয়াইমনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা সোসিয়েল ৱার্কর খুরাইজম লোকেননা শাজবা ইবুধৌগী পুখ্রি অমা অমসুং থোংখোঙ লক্ষ্মী ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়ারপার্সন য়ুম্নাম জমুনা অমসুং কাউন্সিলর খরনা কৎপা ৱাল ফেন্সিংসু ঙসি শঙ্গাখি।

# মৈরা রেল্লি চৎপদা টিয়ার গ্যাস কাপ্পদা মীওই ১৭...

লমগী চয়েৎনবা লৈতবদা লমগী চয়েৎনবা লৈ হায়না হায়জিন্দুনা হোস্পিতাল অসি হোংদোকখিবা অসি লাইবক থিবনি। মসি এম এল এ অমা ওইনা য়াবা ঙম্লোই অমসুং প্রজাশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লিবসু ৱাফম অসিদনি।

হিরম অসিগী মতাংদা হেল্থ মিনিষ্টরগা উন্নদুনা খোঙজং চংশিল্লিবা জে এ সিগা উন্নবীনবা হায়জখিবা লৈখ্রে। মতম অদুদা য়েংখিগে অদুগা পাউ পীরক্কে হায়না ফোঙদোকখিবনি। চীফ মিনিষ্টরদসু জে এ সিগা উন্নবীনবা চে থাদুনা হায়জবদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা রেস্পোন্স অমত্তা পীরক্তে। খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র অসি ষ্টেট অসিগী শরুক অমা নত্রব্রা হায়বা ৱাখল ফাওহল্লে।

কেন্দ্র অসিগী প্রজাশিংনা লাওজরিবা অসি গভর্ণমেন্ট অসিনা তাবিদবগুম তৌরি। গভর্ণমেন্ট অসিনা গো টু হিলস, গো টু ভিলেজ হায়না লাওরিবনিনা চীং অমসুং তমগী তাইনবা মফমদা লৈরিবা হোস্পিতাল অসি হোংদোকপীদনা প্রজাশিংগী য়েংলগা হান্নগী মফম অসিদা শাবীয়ু হায়খি।

হোস্পিতাল অসি মতম অদুদা এম এল এ পুম্নমক্না য়ান্নদুনা শাখ্রবা, লমগী চয়েৎনবা লৈত্রবা অদুগা গভর্ণমেন্টনা শেল পীথোক পীশিন তৌগদবা প্রোসেস ৱাৎপদগী লেপ্পুরগা হৌজিক্না লমগী চয়েৎনবা লৈ হায়না হোংদোকপা অসি লাইবক থিবনি।

লমগী চয়েৎনবা অসি থবক খুদিংমক্তা লৈতবা নত্তে। অদুবু গভর্ণমেন্টনা তৌগে হায়বরসি শোয়দনা অদুমক তৌবা ঙাক্তনি।

মীশি মীনা য়াওরকপগী দায়ত্ব অসি গভর্ণমেন্টনা পুগদবনি। লমগী চয়েৎনবা লৈ হায়রগা করিগী দিপার্টমেন্টনা চে অমত্তা পুথোকপা ঙমদবা করিগীনো হংখি। ঙসিদগী নুমিৎ হুম্নিগী মমাংদা এদিস্নেল দাইরেক্টরদা লমগী চয়েৎনবা লৈতে হায়বসি য়ারব্রা হংবদা য়ারে হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি।

মিনিষ্টরনা লম অসি কৎপীবা লৈরবদি চীফ মিনিষ্টরগী থাক্তা পুখৎকনি হায়না ফোঙদোকখিবা অদু লম অদু ইমাগী মহুৎ শিল্লগা কখোকপা লৈখ্রে। গভর্ণমেন্টনা শেল পীবা ঙমদ্রবনা লম অসি গভর্ণমেন্টতা কৎচরে হায়না লাওথোকপসু লৈখ্রবনি।

খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রদগী ইম্ফাল ইষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল অসি শগোলমাংদগী হোংদোকপীগনু। লোয়ননা লমগী চয়েৎনবা লৈতে, দিপার্টমেন্টনা লৌখৎফম থোকপা থবক ৱাৎপগী তৌবনি। ইরাংকনখৎপা হেল্লক্রিঙৈদা হোস্পিতাল অসি শাগৎপীয়ু অমসুং কৈরাওদসু মদুগা মান্নবা অমা শাগৎপীবদা অকায়বা লৈতে হায়খি।

# য়েলহৌমীনা চীফ সেক্রেটরী ওইহনগদবনি হায়দুনা...

ঙসিগী মহৈরোইশিংগী মীফম অদুনা ষ্টেট অসিগী চীফ সেক্রেটরী অসি য়েলহৌমী আইএএস ওফিসার অমা হাপকনি হায়বগী থাজবা এপ্রিল থা অসিগী মনুংদা পীগদবনি নৎত্রবদি মখল-মখা কয়াগী খোঙজংশিং চঙশিন্নবা ৱারেপসু লৌখি।

ঙসিগী মীফম অদুদা দেসামগী এডভাইজর এম অঙম্বা মৈতৈ, অটসুমগী প্রসিদেন্ট ভারৈয়ো সৎশাংনচিংবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

# মপা মমা লৈখিদ্রবা সেকমাইগী অঙাংদা শেলগী...

গভর্ণমেন্ট অমসুং সিভিল সোসাইতিশিংগী মায়কৈদগীসু লৈহৌরিবা অঙাংশিং অসিগী তুংগী লাইবক্কীদমক অঙম্বা মতেং পাঙহন্নিংই হায়খি। থৌদোক অসিনা মায়ওন অমা ওইহৌরগা লৈহৌরিবা অঙাংশিং অসিনা তুংদা মায় পাকপগী ৱারি অমা মীয়ামদা পীবা ওইরসনু হায়না গাইখাঙম্না মখা তাখি।

সেকমাই কেন্দ্রগী হান্নগী এম এল এ কে ঐচ দেবেন্দ্র সিংহ য়াওনা পাঙথোকখিবা অৱাবদা শরুক য়াবগী থৌরম অদুদা হান্নগী দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর গাইখাঙম অমসুং এস অচৌবগী মায়কৈদগী কেস অসিগী মতাংদা সেকমাই পুলিস ষ্টেসনগী ও সি অমসুং মরি লৈনবা আই ওদা লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎপীনবা খঙহনখি।

লৈকাইগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপদা লৈখিদ্রবা ইমুং অসিগী লৈহৌরিবা হায়ববু হোস্পিতালদা লায়কন্নরিবা মচানুপী অহল (চহি ১২) অমসুং চহি ৮গী নুপীমচা অসিখক্তমক ঙাইরে। লৈখিদ্রবা মপাগী মচিন মনাওশিংসু অথাপ্পা মফমদা অফং অফংবা থবক শুবনা অঙাংশিং অসি য়েংশিন্নবগী পাঙ্গল লৈতে হায়খি। অঙাংশিং অসি লৈকাইনা শেন্নরি হায়খি।

হৌজিক রাজ মেদিসিতিদা লায়কন্নরিবা মচানুপী অহল অমসুং মশেন্নুপা মেজর ওপরেসন তৌনবগীদমক হোস্পিতালদগী ঙাইহাক লৈতনা মী লাকই অমসুং শেল পুরক্নবা ফোন তৌরকই। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা গারীগী মায়কৈদগী লায়কন্নরিবা মীওইশিং অসিগী থৱায় কন্নবা হোৎনহন্নিংই হায়খি।

খম থেংনা অৱাবা তারবা ইমুং অসিদা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাঙদুনা অঙাংশিং অসিগী তুংগী পুন্সিদা লমজিংহন্নিংবগী অপাম্বা মীওইশিংনা ফোঙদোরকখি।